এডিটোরিয়েল

ইম্ফাল ইষ্টকী ফায়রসার্ভিস লৈতবা

মতম অমদা ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টফাওনবা শঞ্জেম্বোং শাবা লোয়গনি হায়বসিগী থাজবা ২০১৫ গী ময়াই চল্লকপা ফাওবদা মীয়ামদা থাজবা লৈখিদে। মীয়ামগী লুচিংবনদি শাবা হৌবদগী থা ৬ কী মনুংদা থোং অসি শাবা লোইশিনগনি হায়খিবা মতমদা মণিপুরগী প্রজা কয়া অমনা নোকখিবনি। মসিগী মরম হায়বা তারগদি মণিপুরদা পায়খৎপা মীয়ামগী ওইবা প্রোজেক্ট অমত্তা থানরিবা মতমগী মনুংদা লোয়দবা অসিদগীনি হায়বসি মীয়ামগা তোৎন তিন্নদুনা লৈরিবা মীহুৎশিং অমদি মীয়ামগী থৌ পুরিবা ৱার্ক্স ডিপার্টমেন্টকী পাব্লিক সার্ভেন্ট খুদিংমক্না খঙলবা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকপা মতমদা থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়াদুনি হায়না লৌবদা কায়দে। হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা হায়বসি মীয়ামগী লুচিংবা অমগী তৌদবা য়াদবা মথৌ অমা ওইফম থোকই। মৈতৈগী চৎনরোলদা হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা হায়বসি য়াম্না মৈতৈশিংগী ওইবা মগুন অমা ওইনা লৌনদুনা লাকপনি হায়বসিমসু ঙাক্না চৎহন্নিংই, অমসুং মতৌ তমজনফম ওইবা লুচিংবা অমা ওইহন্নিংই। লৈঙাক অসিনা ঙসি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মাপলদা তঙাইফদনা লৈফম থোকপা সরকারগী ওফিসশিং, ঙাকশেলগী তঙাইফদবা পুলিস ষ্টেসনশিং, হোস্পিতালনচিংবা কয়া অমা শেমগৎ–শাগৎখ্রে। মখা তানসু দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী কন্নেক্টিভিটি হায়বদি লম্বী থোংগী ফিভম অসি ফগৎহন্নবা অচৌবা শেনফম কয়া থাদদুনা শেমগৎ–শাগৎলি। অদুবু হায়রিবা থবকশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অমগী তঙাইফদবশিং অদু ওইরব্রা হায়বসিমা হংনিংঙাই ওইরি। মসিমক ঙসিশু অদুমক লৈরিবা প্রোব্লেম অমনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌজিক লেমজনিংঙাই ওইবা ষ্টেট অসিগী ওফিস কয়া অমসুং তোঙান–তোঙানবা কমপ্লেক্স কয়া শেমগৎতুনা লৈরবা লৈঙাক্কী মরুওইবা থৌরম কয়া পাংথোক্লবা মফম অমা ওইরে হায়বসি সরকারবু থাগৎনিংই অমসুং অচুম্বা থৌশিল অমনি হায়না লৌনরিবনি। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোরকপা হৌবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ত অসি য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইরে। অদুবু হায়রিবা লম্বী অসিদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী মতাংদদি করিমত্তা খন্নদবগুম উই। ইম্ফাল ইষ্টতা মৈহৌ–লাংপোক্কী থৌদোক অমা থোক্লকপা মতমদা অথুবা মতমদা সার্ভিস পীনবা ফায়র ষ্টেসন লৈত্রি। অচৌবা ওফিস কয়া লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টসিগী মৈ কনবগী থবক অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈরিবা ফায়র সার্ভিস ষ্টেসন অসিনা নকপা মরম্না ইরাই লাইনা কনবা ঙমগনি হায়না খল্লম্বা য়াই। মদুশু শঞ্জেম্বোংনা পীবা খুদোংচাবনি হায়না লৌফম থোকই। মমাংদা থোং অসি শিদোক্ত্রিঙৈদসু মী চিনমনখিবনা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা ফায়র টেন্দরশি লানবদা মতম কুইনা চংবদগী কনবা য়াবা য়ুম কয়া অমা তুম্না চাকখিবা য়াওখ্রবনি। সঙাই ফেষ্টিভেল অসি ষ্টেট অসিগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা টুরিজম ফেষ্টিভেলনি অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা লল্লোন–ইতিক তৌনবগী মতাংদা য়াম্না হেন্না মরুওইবা ফেষ্টিভেল অমসু ওইরি। মসিগীদমক মীয়াম মাংদা লেন্নবা য়াবা মওংদা মকে শেম্বগী থবকসু মফম খুদিংদা চৎথখিবনি। মণিপুর সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিদা ৱাৎলিবসি ইম্ফাল ইষ্টতা মপুং ফাবা ফায়র ষ্টেসন অমা থমদবসিনি হায়বা তাই। মসিদা মরি লৈনবা সরকারগী থৌ পুরিবা পুম্নমক্না মীৎয়েং চংহন্নিংই। মসিগী মতাং অসিদি হৌখিবা চহি ৫গী লৈঙাক অসিনা তাখিদ্রবা ৱাকৎ অমনি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবদা লৈরিবা এসেমব্লি কেন্দ্রশিং অসিগী মীহুৎশিংনা খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং চংদবা এরিয়া অমা হৌজিকসু ওইরি। মসিদা মীহুৎশিংনা ঙসি ফাওবা পুক্নিং চংদনা লৈবা হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লন–থুম অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা ৱাৎলি হায়বগী অচৌবা খুদম অমা ওইনা অদুমক লৌবা তাবনি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

কংগ্রেসকী অরোইবা প্রসিডেন্ট

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

‘তশেংনা–টি এন হাওকিপ–পু প্রসিডেন্ট খল্লকইবসি দল অসিগী অরোইবা শক্তমশিং উবা ফংলক্লগনি হায়নরকইবসিদা কদায়ফাওবা চুম্বা লাম্বা য়েংবা তারি। হায়নৈ, মীতোপশিংগী ঈ পকপশিংনা লমদম অসিগী য়াইফনবদি কৈদৌনুংদা তৌররোই থাজনরি। হান্নগী প্রসিডেন্ট ওইরম্বগা হৌজিক ওইরকইবসিগদি চাম্মদা চাম্মা খেৎনগনি হায়নরি। তশেংনা লমদমসিদা দল অসিনা মতম শাংনা কোন্দুনা লাকইবসিদা অনৌবা মীওইসি নত্তনা অতৈ অমত্তা লৈত্রে হায়না তাকইবনি। মীয়াম্না য়াম্না থাজরম্বা দল অসি খংহৌদনা অহোংবা খরদি উবা ফংলগনি থাজনরি। তশেংনা অফবা ফত্তবা তোঙানহনখ্রগা দল অসিবু কদায় য়ৌনা কয়াম শাংনা পুদুনা চৎখিগদগে, খম্থরুবদা অরুবা তাঙ্কক য়ৌরক্লে। ৱান মেন ৱান পোষ্ট ৱাফমগা মরী লৈনরগসু পোষ্ট অসি ষ্ট্রাইবতা রির্জাব ওইহনবসিদি দল অসিগী অশোয়বশিং লৈবরা হংনরি। হান্না এম এল এ ওইবদা নত্তনা কেবিনেটকী মহাও ফংখ্রবা মীওই লোইননা মখোয়গী মতম অদুদা ডিভলপমেন্ট লৈহনবা ঙমখিদবা অমনি। মণিপুর প্রজা নুংঙাইহন্বগী কোক লৈত্রবা মীওইশিংতমক খন্দুনা প্রসিডেন্ট শিন্নরকইবসিগী ফল য়েংমিন্নবা তাবনি। নিংঙাই চাওবা এম এল এ শিংনা হোয় হায়রবদি য়েংবা তাবনি অদুবু কল্লক মাংদ চাং তাবা হায়বদুদি নিংশিংহৌবা চুমগনি থাজে। লৈবাক্কী ওইনদি লৈরিবা দলগী শক্লাইরবসিংনা মনুংথিংনা য়েংহৌবা য়াওদবা, শোইরবা কান্দতা ৱা ৱা লাওথোকপগী হৈনবী পুম্নমক থাদোকহন্বা চুমনিদল অসিবু নুংশিদবা কয়ানা হায়জরুবদা তাবীরোইদবনিনা পামদ পামদ নিঙোল মৱা ওইখিবা তাবনি। য়েংবা তাবনি কদায়ফাওবা থম্মোই শেংনা থবক তৌবা ঙমইবা অমদি ঙমদবা, পুম্নমক এ আই সি সি না য়োমলগা এয়েল্লকপনি খঙনা পিরক পদি নত্তে হায়নরি। ভিক্ষারি ওইনা হিংবগী মহাও রির্জাব ওইবশিংনা তংহনখিবনা ঙসিদি মহাও খংদবা মীওই কাংলুপশিং মতম ঙাইবা তারি। মশাগী মপোক নুমিৎ ফাওবা খংজজদবা মীওইশিংনা করি ল্ফবা ৱাখলশিং খনগদবনো? নোংমগী হৌখিবা ঐগী ওইজবদি ৱাত্তনা ফংবা মীয়ামগীদি মাংখ্রবসু নোংমা ফংজরক্কনি খংহন্বা হৈবসিং থাগৎপা ঙম্বশিং মরাং কায়রি। লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎরিঙৈ ঐগী কেন্দ্রগী করিমত্তা য়েংশিনহৌবা ঙমহৌদ্রবসু মথংদদি পুম্নমক ঐগী কেন্দ্রদা থাদদুনা য়েংশিন্বা ঙমলগনি। কয়াদা ফজখ্রবা দাইলোকশিং কয়াদা লাইনা থাজবা পিরিবা! হৌজিকসু ঙাংনরিবনি সেন্তরদগী ফন্দশিং নিংথিনা থাদোরক্তবনা শেম শাবা ৱারমনি হায়নী অদুবু মতম শাংনা সেন্তরদসু কংগ্রেসনা পাল্লিঙৈদনা করি তৌদুনা লৈহৌবা?

অদোমগী
মহেন্দ্র কাংজিয়া

যণগী খোমজিন পোন্বা ঃ– শঙ্গোম পুথোক্লিবশিংগী কোক চিকপা

জে বি রাজেস

মাশতিতিস হায়বসি খোমখাও নৎত্রগা খোমজিন্দা ইহৌরক্তুনা পোমথোকপবু খঙনৈ। শঙ্গোম সুম্বী ষণবীদদি লায়না অসি য়াম্না মরুওই মরমদি মসিনা নারবা শবীদু শংঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থহল্লি অদুনা ষণ মপুদুগী শেম্বোক হন্থহন্দুনা অমাংবা ওইহল্লি। মসি শঙ্গোম সুম্বা চংবদা শংঙ্গোম শুমলিবা মীদুনা উরকই। মাশতিতিসনা নারবা শনবিদুনা অপোম্বদুনা মরম ওইরগা অনাবা ফাওই, মসিনা মরম ওইদুনা মফমদুদা শোকহন্দে, শঙ্গোম সুম্বা য়াহনদে, মশাদু মফম খঙদনা পঙলেঙদা লেঙই, চৈনা ফংবনা মরম ওইদুনা শঙ্গোম সুমলিবা মীদু মখোঙনা কাওই। খোমজিন চরোংদু চাওথোকই অমসুং থেংবদা ফোং ফোং শাই। শঙ্গোম মচু হোংলকই অমসুং শঙ্গোমগী ইচেল চাং নাইরকতে। অপোম্বা খোমজিন্দগী থোরকপা শঙ্গোম নঙ নঙ লাওই, নাপু মচু ওইরকই নৎত্রগা মুই অমসুং মপং য়াওই।

পৈশা মাঙবা –

লায়না অসি খ্বাইদগী মরুওইবা পৈশা চংবা অমদি মাং হনবা শঙ্গোম থোকপী ষণবিশিংদা শাথিনা অমাং–অতা তোকহনবা লায়ননি। মসিগী লায়নাসিনা শঙ্গোমগী পোৎথোক ২১% অমসুং ঘী য়াওবগী চাং ২৫% অতৈ লায়নাসিনা নাদবা ষণবিশিংগী পোৎথোক্কা (শঙ্গোম থোকপগী চাং) চাংদম্নবা চাথোক মাংবা থেংনরি। অনাবা ষণবীদগী থোরকপা শঙ্গোম মতিক ময়াই হন্থবসু থেংনরে লোইননা বততর অমসুং চিনি য়াওবসু হন্থবা থেংনৈ।

মাশতিতিশন নারকপগী মরম –

মহিক (থৱায় পানবশিং) কয়ানা লায়না (মাশতিতিশ) অসি নাহনবগী মরম ওইরি। মখোয়দুদি বেকতরিয়া, ফংগাস, মায়কোপ্লাসমা অমসুং ভাইরসনি। পেথোজেনশিং মহিকশিং অসিগী মরক্তা, লায়না অসি বেক্টাকোক্কস হায়রিবশিং অসিনা বেক্টরিয়া মরক্তগী খ্বাইদগী শাথিবশিংনি।

লায়না সিনা নাহল্লিবা শাশিং–

শঙ্গোম থোকপা ষণবি মখল খুদিংমক, ঈরোইশিং, হমেং শিং, য়াও, ওক অমসুং শগোলশিংসু লায়না অসিনা নাহল্লি। শঙ্গোম য়াম্না তোকপা ষণবিশিংনা শঙ্গোম হন্থবা থোকপা ষণবীশিংদগী লায়না অসিনা নাবগী চাং হেল্লি। অহানবা চাগোক মতুংদনা লায়না অসিনা নাবগী চাং ৱাংই। ভারত্তা পোকপা ষণবীশিংদগীদি মীরমদগী পুরকপা ফ্র্স্যান, হেলস্টোন অমসুং জারসিয়নদা লায়না অসিগী লাইচৎনা নাবগী চাং হেল্লি।

লায়না অসি শন্দোকপগী মওং–

লায়না অসিনা নাগনবা মফমদি শঙ্গোম চেম্থরকফম শিংলি (কেনেল) অদুদনি। মসিগী শিংলি অসিদগী খোমখাওগী মচিনশিংদা য়ৌরকখি। লায়নাসিনা নাহন্নবা মরম অনী লৈ। মখোয়দুদি বেক্টিরিয়া স্ত্রেপতোকোক্কস এগালাকতিঅই অমসুং স্টেফায়লোকোক্কস অওরিয়সনা মখা তানা মশা নাহল্লি। অমরোমদা ঈশাচেরিচিয়া কোকলি অমসুং সুদোমোনাস পয়োসয়ানিউসনা মখা তানা মশা নাহল্লি। মহিকশিং অসিনা মপান থংবা শরুক্তগী তিত কেন্নেল (শঙ্গোম মহি লাকফম) ফাওদুনা হক্চাংদা চংলকপনি। মফমশিংদা মখোয়গী মশীং হেনগৎহদুনা অমদি শঙগোমগী এলভেওলি মাংহল্লি।

মাশতিতিশগী মখলশিং–মাশতিতিস পাক চাওনা মখল অনী থোক্ল পাক চাওনা নৈনবা য়াওরি। মমিং ওইনা শিংথারবদি ক্লিনিকেল মাশতিতিস অমসুং সবক্লিনিকেল মাশাতিতিশিনি। ক্লিনিকেল মাশতিতিস অমসুং সবক্লিনিকেল মাশাতিতিশিনি।

ক্লিনিকেল মাসতিতিশ হায়বসি নারবদি অনাবা ষণবিদু লাইহৌ তৌরকই, খোম–খোমজিন পোমখৎহনবা, য়াম্না নংহনবা অদুগা লৌমীদুদা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা মওংদা শঙ্গোম থোকপীশিংগী মরক্তা শন্দোরক্তদ্রা হায়না পাখৎচৈ মদু খুদক্তা চান্নবা লায়েং চৎথরগা ফহনবা য়াই । তৌইগুম্বসুং সবক্লিনিকেল মাশতিতিসনা নাবদি পোমথোকপা অমসুং খোমজিন্দা নাবগী ফিভম শুঊদবনা মরম ওইদুনা লায়না অসিনা নাবগীভ খুদম লেবোরোতোরি তেস্ট তৌদনা খঙবা ঙমদে অদুনা লায়না অসিনা নক্লবা অতৈদসু নাহল্লি। শল্লুপতুগী ওইনা অৱাবা ওইরকই।

মতৌ করম্না ইনত্রামামরি হিদাক মাসতিতিসনা নারব ষণশিংদা চৎথগনি (হাওতু এদমিনিষ্টর ইনত্রামামরি ইনফুসন্স ইন মাশতিতিস) –



মাসতিতিস অসি য়াম্না কান্নফম খঙনা ইনত্রামামারি ইনফুসন্স লায়েংবা য়াই। মামরি ইনফুসন মখাগী অসুম্না কাপশনবা য়াই।

১. পোল্লবা খোমজিন্দুদগী শঙ্গোমশিংদু লোইনা মেৎথোক্লগা কাপশনবা য়াই।

২. খোমখাওদু (উদ্দর) পুলপ শিন থুংনা লুম্থু শাবা ঈশিংনা চামথোকউ য়ারগদি এন্টিশেপতিক শোলুসননা ওইনা চামথোক্কদবনি।

৩. খোমজিন্দু ফংহল্লু।

৪. খুৎ–ওইনা খোমজিন্দু পায়য়ু অমসুং কাপশনগদবা হিদাক্তু খুৎ য়েৎনা কাপশল্লু।

৫. চেকশনবা য়াবা ফিভম পুম্নমক শেম শারগা ইনত্রামামরি ইনফুসনদু হাংদোকলো। মসিদা সিরিঞ্জ মতোন্দুদি থেংলোইদবনি, অদুগা খোমজিন্দুগী মকুন্দুদা কাপশনগদবনি।

৬. ইনফুসন কান্নুলা (সিরিঞ্জ/তুব) দু ফজনা লৈয়ু অমসুং চাংনাইনা তপ্না খোমজিগী অহোবাদা ইনখৎলু।

৭. ইনত্রামামারি কান্নুলাদু মপুং ফানা হেক ইনশনবা লোইবগা অশোকপা অনাবা খোমশা খুদিংমক্তা তিয়ুব অদু ইনশল্লু।

৮. সিরিঞ্জদু তপনা লৌথোকউ চিংথোকলো অদুগা কাপকদৌরিবা হিদাক্তু শঙ্গোম চেম্থরকফম (তিত কেন্নেল) অদুদা খুবি অমসু ং খুদোম্বী শিজিন্নদুনা ইনশল্লু।

৯. ফজনা চাং নাইনা নম্বীয়ু কাপশনখ্রিবা হিদাক্তু খোমখাওগী শঙ্গোম ইফুংশিনবা থুংনা চংখিনবা । পুং ১২দি শঙ্গোম শুমগনু ।

১০. পুং তরানিতোই খুদিংগী নুমিৎ ৩ নি খোমশা অমমমদা কাপকদৌরিবা হিদাকশিংদু খোমশা অমমমগী তোঙান তোঙনবা সিরিঞ্জ শিজিন্নদুনা কাপ্পীগদবনি। মসি ভেতিরিনারি দোক্তর অমা তান্নরগা তৌবসু য়াই।

অদুম ওইনমক খোমশাদু মপুং ফানা ফহনদ্রিফাওদি নুমিৎ হুমনিদগী হেন্না মখা চৎথবা য়াই। অয়াম্বা মতমদা লায়না অসিবু লায়েংবশিং পুং ৭২ গী লায়েংনা অদুম ফহনবা য়াই। মসা কনবা অনাবশিংদদি নারিবদু করিনো করম্না লায়েংগনি হায়বদু খঙদোক্লবা লেবোরেতোরি ত্রিতমেন্ট চৎথদুনা খঙদোক্কদবনি। ইনত্রামামরি ইনফুসনা খরদি হৌজিক (২০১৫) কৈথেলদা ফংলিবা খরদুদি –

১. মামমিতেল সিরিঞ্জ গ্রাম ১০।

২. মাম্মিসেক সিরিঞ্জ এম এল ১০।

৩. ভেতক্লোক্স প্লস তুয়ুব এম এল ১০।

৪. তিলোক্স তিয়ুব গ্রাম ৫।

৫. পেনদিশত্রিন এস আইচ তুয়ুব এম এল ৬

মাশতিতিশ ঙাকতোকপা –

১.শঙ্গোম শুম্বা নুপাদুনা ষণবী অমা শংগোম শুমদ্রিঙৈদা মখুত্তু পাপ্পোন্না ফজনা হামদোক্কনি।

২. শঙ্গোম শুম্বী শল্লুপতা মাশতিতিশ নাদবা ষণবীশিং হান্না শঙ্গোম শুমদ্রিখে (ষণ খুদিংগী) মখুৎতু হামদোক্কদবনি

৩. মশাতিতিশিনা নাবা ষণদুনা খ্বাইদগী কোন্না শংঙ্গোম শুম্বীগনি।

৪. মাশতিশিনা নারবা ষণদুনা থুনা

লায়েংবিগদবনি অমদুনা নাদবশিংদসু নাহন্নবগী মরম ওইরক্তনবা ।

৫. খোমশা খুদিংমক এন্টিশেপতিক শোলুসনা অমদা (লুগোল’স শোলুসন

০.৫% নৎত্রগা পোভাইদোন আইওদিন ০.৫%) চাগী কপ অমদা হাপ্লগা অমুক অমুক লুপশনবিগদবনি। কপ নত্রগা অতোপ্পা কোন অমদা লুপলবসু য়াই।

৬. দাইরি ফামদু লুনা নান্না থম্বীগনি, মথি ময়ুং শেংদোকপা য়ারিবা মখৈ অয়ুক ঙন্না শাশিংদু ইরুজবিরবা মতুংদা লৈমাইদুসু শেংনা চামথোক্কদবনি। চাং নাইনা মশা নানথবিবনা শাশিংদু মশা ফনা থমবসু য়াই।

করম্বা ঋতুদা করি চেঙ্গুম হৌবগে

চেঙ্গুম হায়বা পাম্বি অসি মপুং ওইনা ঋতু মরিদা হৌবা তোঙান তোঙালবা চেঙ্গুম লৈ। চেঙ্গুম করম করম্বা ঋতুদা করম্বা হৌই, করম্বা ঋতুা করম্বা তা কয়া লৈবগে হায়বসি মশরুম ফার্মরশিংনা খংবদা কান্নগনি। চহি অমদা ঋতু মরি লৈ। মদুদিঃ– ১. Spring: –হায়রগা মার্চ, এপ্রিল, মে থা অহুম অসিবু ইংরাজি লোন্দা স্প্রিং সিজন হায়না খংনৈ। ঋতু অসিদা হৌগনবা চেঙ্গুমদি Morels, St. Georgs Musrums, velvet Shannk, Oyster Musroom, Faoiry Ring Champignon অমসুং Fals morel নচিং বা হৌগৎলকপা মতমিনি।

২. Summer ঃ– ঐখোয়না কালেন্থা হায়রগা খংনৈ। জুন, জুলাই অমসুং অগষ্ট তা অহুমসিবুনি। চেঙ্গুম মখল খ্বাইদগী য়াম্না চোংবা ঋতুনি। মখোয়না অকংবা উদগী ঈশিং চুপশিল্লি। সিজন অসিদা হৌগনবা চেঙ্গুমদি Gaint Puf balls, Fiele Mushroom, Horre mashroom, louyer's Wig, Chicken of the woods, Oyter mushroom, Deceiver, Charcoal Burner, Yellow swamp russula, Chenterelle and Bay Bleres লোইননা Birch Boletes নচিংবনি। ময়ামসিগী মনুংদা ফিলদ অমসুং হোর্স মশরুম অসি লমহাংদা নাইতোম ওইনা পংহৌ হৌই। ঐখোয়না লাংয়েন হায়না খংনবা য়াম্নসু হাওবা ন্যুত্রেটিভ ভেলুৎ অমসুং মেডিসনেল ভেল্যু য়াম্না য়াওবা চেঙ্গুম্নি। চিক্কন ওফ দি ৱুদস অসি মশক য়াম্না ফজবা মচুনা য়োল্লো ওইবা উদা শৌবা উয়েন মখল অমনি। মণীপুরগী উ য়াম্না হৌবা চিংগী লমদা ফংই। ওইষ্টর মশরুমদি মনিপুর চেঙ্গুম ফার্ম অমসুং হোবি ওইনা নৎত্রগা য়ুমগী চানবা খরা খরা থানরিবসি য়ুমথোং লিশিং লিশিংনি। মসিদি নিংথমথা অমসুং কালেন্থা অনিমক্কি তোঙান তোঙানবা মখল লৈ। রুসসুলা কাংলুপকি চেঙ্গুমসু মনপুরদা ফংই। অতৈদি খংদে অন্দ্রো মমাংগী চীংদা নোংজুথা মতমদা মরাং কাইনা হৌই। চেঙ্গুমগী মথক থংবা শরুক্তু ঙাংশং ঙাংলগা অতৈ শরুক্না ঙৌরোক ঙৌই।

কনাগুম্বনা চেঙ্গুম খোমদ্রোকপি অঙাংবা হায়না খংনৈ হায়নবসু য়াওই। রুসুলা মখল কুন লোমগী ফোটো অইবদা লৈজরি।

Chenterelle ঃ– চেঙ্গুম মখল অসি মনীপুরগী চীংগী লমদা হৌই। মৈতৈনা চেঙ্গুম খোমদ্রোকপী হায়না খংনৈ। কালেনগী মতম হায়বদি জুন, জুলাই অমসুং আগষ্ট থাদসু হঙ্গাম মপান মচুগী চেঙ্গম খোমদ্রোকপি হৌই অদুগা সেপ্তেম্বর থাদগী নবেম্বর থাফাওবদা ফংবা চেঙ্গুম খোমদ্রোকপিনা মুরৈনৈ। কাংলুপ অনিমমক হিংনা শিংজুনচিংবা চাবা য়াবা য়াম্না হাওবা চেঙ্গুম্নি। অইবনা মরু লৌনবা য়াম্না ফ্রেশ ওইবা খর থিজরিবা চেঙ্গুম মখলনি।

Autumn ঃ– ঐখোয়না শরত ঋতু হায়না খংনৈ। সেপ্তেম্বরদগী নবেম্বর থা ফাওবনি। জিন অসিদসু মুৰৈনবা মখলগী চেঙ্গুম খোমদ্রোকপি (Chanterlle) মখল অমা ফংই। মনীপুরগী চীংগী লমদা ফংই। চোল্লুপ চোল্লুপ হৌই। Horn of plenty হায়নসু খংনৈ। সাইন্টিফিকেল নেমদা Craterellus Cornucopioides কৌই। জরমন অমসুং ফ্রান্সতা Death Trumet হায়না খংনবা য়াম্না পাম্নবা চেঙ্গুম মখলনি। C. tubaeformis কুম্না ঙাগা থোংবাদা য়াম্না চানবা চেঙ্গুম্নি। উ য়াম্না হৌবা চীংগী লমদা হৌগল্লি। কেপ্না ইঞ্চি মরিফাওবা পাকই, ৱাংবনা ইঞ্চি মঙা ফাওবা ৱাংই। মাইক্কী হোরোন নৎত্রগা সৈরেগী মওং মাল্লগা মখোক্তু মনুং হোই। জুন থাদগী নবেম্বর থা ফাওবা মহৌশাগী খুৎশেম ওইনা হৌই। খুৎশেমগী ওইনা মালেমসিদা থাবগী পাওদি তাজদে। অইবনা মরু লৌনবা ফ্রেশ ওইনা পামজে। ঋতু অসিদা হৌগনবা চেঙ্গুমদি:- Midow Wax Cap, Parasol mushroom, Field Blewit, Smaller Puffballs নচিংবতা নত্তনা উমং–ৱামংদা হৌবা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানবা Bee steak Fungus, Hen of the Woods অমসুং Woods Caoliflower নচিংবনি। নাকেন্থাদা Horb of Plenty, Boletes, Russulas অমসুং Milk caps দা নত্তনা লৈবাক মনুংদা হৌবা Sumer Truffle সু হৌবা মতম্নি। ওক্তোবর থাদদি Hony Fungus অমসুং Wood Blewit তপ্না তপ্না হৌগৎলকই।

Winter:- ডিসেম্বরদগী জনুয়ারি থা ফাওববু নীংথমথা হায়বদি ৱিন্তর সিজন হায়রগা খঙনৈ। ঋতু অসিদা হৌগনবা চেঙ্গুমশিংগী মনুংদা Meadow Wax Cap, Field Blewit অমসুং Lawyer's Wig মরুওইবনি। ডিসেম্বর থাদা Saffron Milk Cap, Chanterelle, Honey Fungus অমসুং Boletes মখল খর হৌরকই। ফেব্রুয়ারি থাদগীদি Wood Blewit, Oister Mushroom অমসুং Velvet Shank হৌরকই। অমরোমদা Jew's Ear হায়বা চেঙ্গুমসিদি চহিচুপ্পা হৌই। মথক্তা পিরিবা চেঙ্গুমশিং অসি নেত্তগী য়েংবসু ফংগনি অদুগা অইবগী য়ুমদসু ফোটো ওইনা থাংমৈবন্দা লেঙবিরক্লগা য়েংবিবা য়াগনি, তৌবতবু হান্না ফোন নম্বর ৮৯৭৪০৪৩৯৫৭ দা কন্তেক্ত তৌবিরকউ।

কলম অসিদা য়াওরিবা চেঙ্গুম মখল খুদিংমকতা নত্তনা চেঙ্গুমগী ফোটো ২৫০০ রোম অইবদা লৈজরি। মসি হু–চেনবা অমসুং চাবা য়াবা পুল্লবনি। পিরিবা চেঙ্গুমগী ফোটো অসি (RUSSULA LEPIDA) অন্দ্রোগী মমাং চীংদা য়াম্না হৌবগী পাওদম লৈ। অতৈ চীংদসু হৌই হায়নৈ। চাবা য়াবা চেঙ্গুম্নি।

ফোটো অসি Summer

Truffle নি। লৈবাক মনুংদা হৌবনি। কালেনগী মতমদা হৌই। মশরুম হন্তরশিংনা হুই, ওক অমসুং শওম্নচিংবা শিজিন্নদুনা চেঙ্গুম মখল অসিগী হৌফম খংবা ঙম্মি। চেঙ্গুম মখল অসি চাওখৎলবা ফোরেনগী অচৌবা সহরশিংদা য়াম্না পাম্নবতা নত্তনা মমলসু য়াম্না তাংবা য়াম্নসু হাওবা চেঙ্গুম্নি। মণিপুরদদি লন্নক্কি চেঙ্গুম থিবনা শিনফম ওইবা থেংনদে।

মণিপুরগী ওইনদি চেঙ্গুম থাবগী ফার্ম ৫০০ রোম লৈরিবসিদা থানরিবা চেঙ্গুমসি ওইষ্টর মশরুম্নি।

S. Bihari Singh
২৮/৩/২০১৬